# তরুল্লক শুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল ২০২৩ - ২

- নানি



মণিপুরী ঠিএটরগী মশক অসি শাগৎনবা হোৎনবদা মতম মতমগী ওইনা থোরকখিবা প্লেরাইট, দিরেক্টর, এক্টরদগী চিংলগা ওফ ষ্টেজদা লৈরিবা ক্রেদিটর্স ময়াম অদুনা মখোয় মখোয়গী ক্রিএটিভ আইদিয়া ময়ামশিং অদু পুথোক্লদুনা ৱানা শেমগৎলকখবনি। মসিগী মনুংদা প্লেরাইট হায়বা অসিসু খ্বাইদগী মরুওইবনি। মণিপুরদা প্লেরাইট মশীং নাইদনা পোকখ্রে, মখোয়না মখোয়গী অঙন্বা থাক্তা কন্ট্রিব্যুসন কয়া তৌবীরল্লে, কয়া অমসু পোল্লকখগনি। অদুবু হৌখ্রবা কয়াশিং অদুগী মরক্তা অমুক শীংথাবা য়াবা কয়াসু লৈ। মদুগী মনুংদা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো হায়বা অসিসু অমনি। মণিপুরী শুমাং লীলাদা ইহান হান্না খুৎ থাবা হৌরকখবনি। অদুবু লীলাগী পার্টি খরনা মহাক্কী স্ক্রিপ্ট অদু রিজেক্ট তৌরকপা য়াওবদগী নীংবা কায়বগী ৱারী ৱারেংজরিবদা লীরম্মী। মরমদি ৱারেংজরিবনা ওজা অসিগী স্ক্রিপ্ট অমা শান্নগে হায়না চৎলুবদা ৱারীশিং অসি নুংঙাইতনা লীরকখিবনি। অদুবু য়ানবা অমগী মখাদা ওজাদগী স্ক্রিপ্ট অমা লৌরগা ঐনা লীলা ওইনা শান্নখি। লৌরকখিবা স্ক্রিপ্ট অদু "নমাঙসু লাং নতুংসু তেন" হায়বা অদুনি। মদু ওজাদগী অয়াবা লৌরগা ঐনা "কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্ব্বান" হায়না মমিং থোন্দুনা শান্নখি। মদু য়াম্না মায় পাকপা প্লে অমা ওইখি। মসিদি মীয়াম্না হেন্না খঙনবী। ঠিএটরগী য়েন্নিং চোংহল্লকখিবদি প্লেরাইট অসিগী লৈকায়গী ক্লব "মহারাজ গরিবনিৱাজ মেমোরিএল ক্লব" হায়বা অদুনা য়াওশংগী, স্পোর্টসতা শান্নখিবা "কুনশুবা সতাবদিগী খন্বা থোইবী" (১৯৭৫) অমদি "কালিগী রমায়ন" (১৯৭৬) হায়বা অসিগী মতুংদগীদি নিংঙোল চাক্কৌবগী লীলা অমমম লেপ্তুনা শান্নবা হৌরকখিবদগী মহাক্কী মমিং অসি মীওই খরনা খঙনবা হৌরকখি। মদুদগী লীলা অনৌবা ইনীংবগী ইথিল অসি পোল্লকখিবরা খল্লি। তশেংনমক্তি মদুগী ইনর্জি অদু এম জি এম ক্লবনা পীখিবরা খল্লি। অহানবদদি কোমেদি প্লেদা ইচঙ থৌনা খুৎ থারকখিবনি। কোন্নথংদদি এক্সপরিমেন্টেল প্লে ওইনা য়াম্না সেরিয়স ওইবা মওংদা লীলা কয়া ইবীরমখিবনি। ইহান হানবা ওইনা রূপহমলনা শান্নখিবা "বোর ইন্টর্ভিয়ু" (১৯৭৮), "ইচাসা ইপা লম্বোইরগে" (১৯৮৩), "করিনুংগী নুপী লোঞ্জরুবা" (১৯৯৪) নচিংবা মায় পাক্লবা লীলা কয়া মথং মথং লাম্তোরকখি। চপ চাবা মফম অমা কনবা ঙল্লকখি।

মহাক্কী প্লেশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ফেষ্টিভেল অসি হন্দক্কী ইদিসন অসি থারগা তরুল্লক শুবনি। চহী অনী/অনী কান্নরগা অহুমশুবা চহীদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেলনি। হন্দক্কী পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল অদুগী নীনি চনবা নুমীৎতা মপানদা শেমদুনা থম্লিবা ষ্টেজদা অহানবা ওইনা কলচরেল প্রোগ্রাম ওইনা মতম অমা লমদমসিদা মনিন নাইনা লৈরম্বা তাঙলবা শৈশক অমা ওইরিবা মোইরাংসাই, থোইবীনা লোই কারকপগী মতাং অমা প্রিয়ারানিগী কাঙবুনা লাম্তোকখি। অনীশুবা ফেষ্টিভেল মপুং ওইবা প্লেনা য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়না "হিংমিন্নবগী মহুত্তা শিমিন্নবা" হায়বা প্লে অদু উৎখি। প্লে অদু এল শ্যামকিশোর সিংহনা দিরেক্সন পীখিবনি। এক্টর ১৫ পুন্না শরুক য়াখিবা প্লে অদুনা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোগী লীলাগী অনৌবা মায়ওন অমা ওইনা ইরমখিবা, কোমেদি অমদি ট্রেজেদি অনী পুনশিন্দুনা রিএলিজমগী সেন্স অমা পীবা ঙমখিবা ফনা য়াম্না নীংথিবা প্লে অমনি। প্লে অদুনা মীওইবগী মরমচৎতা হোংলক্লিবা, করাম চাউবা মীগী মপোৎ মরলবু মীহৌবা, মশা-মশাগীতা খনবা কয়া অদু প্লেরাইটকী নীংঙমদবা মীৎয়েংনা য়েংলগা শেমগৎলকখিবা ৱারী অমনি। ইনাক কৈরাক খুনবশিংনা হন্থবা থাক্তা লৈরিবশিংবু খোঙয়াগী উফুলগুম্না খনবা, মখোয়গী ৱাকৎ তাবীদবা কয়া অদু ময়েক লানা প্লে অসিনা ফোঙদোক্লি। লৈরিবা সোসল সিষ্টেম অসিনসু ঐখোয় মীওইবদা য়াম্না তমথিনা হোংহল্লক্লিবা কয়া অদু মচিন মনাও অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদুনা ময়েক লানা তাক্লি। পোকমিন্নবা মনাওনুপানা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী ইংখোল মচেৎ অদু ফাওবা লৌশিননবা লাল্লোং কয়া য়াৎলকখিবা, মদুদা লো অমদি মীয়ামগী পুন্সিবু ঙাক শেন্নবা লৈরিবা পুলিস ফাওবনা মখোয়না তৌগদবসি করিনো হায়বা খঙজরক্তবা কয়া অদু করেম্নদুনা লীলা অদু ইথোরকখিবনি। প্লে অসি নাকল অমরোমদা য়েংলবসু কন্টেম্পোরেরি মিনিং অমা পীনবা হোৎনবগী মমি তাই। চহী কয়া পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লাক্লবা মচিন মনাওনি হায়রিবশিংগী মরক্তা থোক্লিবা ঙমখৈগী ৱাথোক, ময়াম্বনি হায়রিবা অদুনা অমুক্তা মনাওনি হায়বগী ৱাফম পনখিদবা, মদুগী মহুৎতা মখোয়গী অপাম্বা কয়া অদু ফংনবা হোৎনবদা মখল কয়াগী লাল্লোং শীনবা, শম্বল থুদেকপা, ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবা হৌবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা মীহাৎ মীপুন কয়া য়াওরক্তুনা লমদম অসিগী তংদু লৈতাদবা কয়া ওইহল্লক্লিবা কয়া অদু প্লে অসিদা মমি নীংথিনা তারি।

য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচর য়ুনিয়ননা প্লে অদু থৱায় য়াওনা ফজনা শান্নরকই। অদুম্নমক্তি ওইরগা, ঠিএট্রিকেল দিভাইস কয়া মপুং ওইনা শীজিন্নদুনা অনৌবা ইন্টরপ্রিটেসন অমা পীনবা হোৎনবগী মায়কৈদদি খরা খুরক হাংখি হায়না লৌবা য়াই। মরুওইনা দাইলোগ ওরিএন্টেদ প্লে ওইনা উৎখিবনা প্লে অদুগী নুংদা লৈরিবা ইন্টরপ্রিটেসন অদু ওবজেক্টিভলি উৎপদদি খরা খজিক মখা তানা য়েংশিনহন্নিংবগী অপাম্বা লীলাদু য়েংবদা ফাওখি। মসিনা নাকল অমদা থল্লগা উৎখিবা প্লে অদুমক্তি মায় পাকপা প্লে অমনি হায়না লৌবা য়াই। শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিংদি- এ সন্তোশ, টি ঐচ নবচন্দ্র, এম থৌবা, ৱাই বিরদিপ, এন সনাজাওবা, কে শ্যামানন্দ, ঐচ জিতেন, ও সন্তোশমনি, কে নোংদ্রেনখোম্বা, পি জোন্সন, এস রুহিকান্ত, কে কুমারজিৎ, এল মোইরাংলৈমা, আর কে রোমিলা অমদি আর. কে সন্তারানিনি।

ফেষ্টিভেলগী হুম্নী চনবা নুমীৎতা অহানবা থৌরম ওইনা কলচরেল প্রোগ্রামদা খুলবি শোং শোং ট্রাইবেল কলচরেল সেন্টর, সন্দংশেনবা মরিংনা মরিং ৱার দান্স উৎখি। লোয়ননা সেন্টর অদুগী সেক্রেটরিনা মরিং কলচরগী মরমদা মরুওইবা ৱাফম কয়া থম্বগা লোয়ননা মরিংগী ফোক ঈশৈ কয়া অমসু শক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি। অনীশুবা শরুক ওইনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা শান্নবা "ইকায় খঙদা মায়থাবা" হায়বা প্লে অদু উৎখি। প্লে অদু ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা দিরেক্সন পীবনি। গভর্ণমেন্টকী থবক মচা অমা তৌরে, তোলোপ চারে হায়দুনা নাপল য়াম্না তৌবা তাঙ্কক অমা মণিপুর খুন্নাইদা লৈখি। তাঙ্কক অদুদা গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীনা নুপী লোনবগী ৱাফমসু মরাং কায়না তাখি। ৱাখল মপুং ফাদ্রিবা অমগুম, মহাক্কী তোলোপ, লেম্না ফংবা অচারম শেল, ৱানোমশেল কয়ানা অরেম্বদা নুংঙাইথোক্তুনা পুন্সিগী মথেল অমা থিরিঙেদা ময়ুমদা নুপী অনী লোল্লবা নুপা অমনা অমুকসু অতোপ্পা নুপীদা মীতাবা কয়া অদু ময়েক শেংনা উৎলি। প্লে অদুনা ঐখোয়গী লমচৎ শাজৎতা অশোয়বা কয়া লাক্লিবা অদুগী অচৌবা মরমদি মমা-মপা ওইবশিংনা ইমুং নীংথিনা পুদবা, মখোয় মখোয়গী ফীভমদমক খনবা মশাবু করম শেমগনি, করম্না শেন্নগনি হায়বা খঙদবনা মচানা মপানদা মহৈ তন্নবসু নিশাদা লাইচুদুনা মাঙ তাকপা কয়া অদু লীলা অসিনা মীয়ামদা পাউখোংগুম্না চল্লি। অৱা পোলোই ওইবা লীলা অদুদা শরুক য়াখিবা এম দি য়ুগী আর্টিষ্টশিংদি এল বিপিন, কে ঐচ উনবা, এস সরতচন্দ্র, দল্লিয়ু বুধি, দিবাঙ্কর অহন্থেম, কে রোমিও, ৱাই মিলন, আই জেনমিন, এম মনিমোহোন, টি ঐচ মঞ্জিতা, টি ঐচ শালিনি অমদি এন জি নন্দিতানি। লীলাদু ইচম চম্মী। লৈরম্লিবা স্ক্রিপ্ট অদুদা শাদোংলগা প্লেরাইটকী লোনশিং অদু ঙাংনবা অমদি শেমগৎলকখিবা কেরেক্টর অদু মপুং ফানা উৎপনি। য়েংবা নুংঙাইবা, তন্থবা পোকহন্দনা নীংথিনা মচু তানা শান্নখিবা প্লেশিংগী মনুং চনখি।



... মখা মথং নোংমাইজিংদা

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯। ০১। ২০২৩ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক পুং ৮. ২১ ফাওবা ফাইরেলগী ৮ নি পাল্লি, মতুং ৯ নি পাল্লনি।

মেষ: মরুপ মপাংনা চানবীগনি, অনৌবা আশাগা লোয়ননা থৌপাঙবা য়াগনি, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা লৈরে। মহু চাওবনদি তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: য়েক্লবা ঙমজদুনা থবক পাঙগনি, হকচাংসু খিঙগনি, মীরক চঙলগা হেন্না নুংঙাইজগনি। মী লোয়নবা কান্নবা ৱাৎকনি-অনমসু তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অদুনা মরম চাদনা থৌ ফবা য়ারোই। ফংবা য়াবসু ফিংলদি মাঙখিনি। লল্লোন ইতিক্তি চাওখৎকনি, শেল-থুম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: হকচাং নুংঙাইনা অনীংবা থবক্তা খুৎচাও থানা পাঙবা য়াবা অমদি ফমথোল ফংবগুম মীনা থাগৎপিবা লৈগনি। য়েৎনবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ইকায় খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: অনৌবা থৌরমদা খন্থদনা থৌপাঙলদি চোপকনি, নত্তবা উপায় শীজিন্নগে খনগনু-নথক থোংবনা তাথিবীগনি। মরুপ/লনদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি হান্নদৈ ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: নীংবনা অমা ওইথোকপনা অমা ওইবা য়াবা নুমিৎনি-অদুনা নাইতোম ৱা তুপথোক্কনু। অনম তানবনা ময়েং য়াম্না তাগনি-নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: নুংঙাইজবা, লাইবক ফবা, ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। অঙম্বগী মতেংনা অফবা মফম ফংজবা, মীংচৎ তানবসু ফংবগী পেঞ্জবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: ঙল্লোইদবা ৱা ঙাংদবা ফৈ-নৎত্রদি নরল মাঙগনি। মরুপ মপাংনা য়েংশিল্লি-য়েৎনরুনু। লান্দবনদি পুম্নমক ঙমজগনি, লৌশিং শীজিন্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: লাইবক ফৈ, অরাপ্পা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি, মরুপ মপাংনা লুনা তৌই, নথক থোংবনা শোয়দনা চানবীগনি, মী পুনবগী নুংঙাইজে।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: অশাওবা অমদি নাপলনা মাঙওইনগনু-নৎত্রদি নঙগী ওইবা মীসু নঙোন্দগী লাপথোকখ্রগনি। নোল্লুক্লা চৎচবা, অরুবা থৌপাঙদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: লাইবক লৈরে-খুৎচাও থানা থৌপাঙবা য়ারগনি। খুরৌ থাংবা খরদি লৈরি-থিবা হুম্বা তনগনু। তুংগী পোরম শীনবা লাঙবা মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: খজিক খজিক্তা নাম্থোকখিবা য়ানা লৈ। ইমুং-মনুং নৎত্রগা নুংশিবা মরুপ লোয়নৌ- শোয়দনা মায় পাক্কনি। নচাক নরল পঙবদগী মাঙবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- মহু চাওবদৈ চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলগী ১৪শুবা এন্যুএল দে পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই মচিন্দা লৈবা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলগী ১৪রকশুবা চহীগী নুমীৎ (এন্যুএল দে) অমদি তোঙান তোঙানবা এৱার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা মহৈরোয়শিংনা মখল মথেলগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

১৪রকশুবা এন্যুএল দেগী থৌরম অদুদা জোন থ্রী থৌবালগী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর অরাম্বম অনিলকুমার, এম ঈ এসনা অথোইবা মীথুং; ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলগী চ্যেরমেন কম এম দি জয় সিংহ ওইনামনা থৌরম মপু অদুগা কোপস ওফ আর্মি এয়র দিফেন্স লেফটনেন্ট কর্নেল কে এস ঐচ মহেশ্বর; মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিয়েট প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ওফিসর য়েংখোম রাজেন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।


থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা জেদ ঈ ও থৌবাল অনিলকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলনা মহৈরোয়শিং শেম্বদা লৌরিবা থৌদাংশিং, স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পাঙথোকপা চাংদম্ন বশিংদা মকোক মথং তারকপা অমদি মহৈরোয়শিংনা উৎখিবা হৈথোই-শিংথোইবশিং অদুবু থাগৎলদুনা তুংদসু হেন্না মায় পাক্না চঙশিনবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীখি।

থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলগী ১৪রকশুবা এন্যুএল দেগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা পুথোকপা মোদেলশিং উৎপা সাইন্স এগজিবিসন অমসু ঙসিগী মীথুংলেনশিংনা হাংদোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহনখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পাঙথোকখিবা চাংদম্ন বশিংদা মকোক মথং তারকখিবা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংদা ট্রোফি, মমেন্টো, মেদল অমদি সাইটেসনশিংসু ঙসিগী মীথুংলেনশিং অদুনা য়েন্থোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা কলচরেলগী ওইবা জগোয়-ঈশৈনচিংবা মানা মানা হৈজবা টেলেন্টশিং অদু উৎখি।

## পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ইরমদম অসিগী আর্ট অমসুং কলচরদা চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বা শক্ল ইরবা শুমাং কুম্মৈগী দিরেক্টর পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবনা লৈখিদবদা মহৈরোয় লূপ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না এম এস এফ হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অভিজিৎ কব্রাবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন ওফিসতা লমদম অসিগী ঠিএটর অমদি শুমাং লীলাবু চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পদ্মশ্রী মিংথোল পীবীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবা মীয়ামগী ওজা ৱারেপ্পা নব পদ্মশ্রীনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনিয়ন অসিগী থৌ পুবশিং অমদি লীলারোয়শিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রতনকুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



Title : Lotus
By : Th. Thaja
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. : 61
School : SL. Areana of Learning



Title : Goku
By : Th. Athoiba Luwang
Class : I Sec : Rose Roll No. : 21
School : SL. Areana of Learning




Title : Netaji Subhas Chandra Bosh
By : Khundongbam Wataisana Chanu
Class : IV Roll No. : 5
School : Thambalkhong Junior High School



Title : Flower
By : Mangaleibi Khangjrakpam
Class : KG Roll : 3
School : HIMS




Title : Our Beautiful, Lovely Earth
By : Angela Kshetrimayum
Class : III Sec : A Roll No. 51
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Zygarde
By : L. Devnarayan
Class : II Roll No. : 1
School : Macha Leima




Title : Bird
By : Lingjenthoibi Asem
Class : I Sec : A Roll : 6
School : The K.E. Blooming Institute




Title : Arccus God of Pokemon
By : Lourembam Reo
Class : V Sec : Jasmine Roll No. : 63
School : SL. Arena of Learning



Title :
By : Mahesh Oinam
Class : V Sec : Jasmine Roll No. 25
School : SL. Areana of Learning



Title : Scenery
By : Minsa
Class : III Sec : D Roll No. : 38
School :




Title : Barbie
By : Nganthoi Thiyam
Class : III Sec : C Roll No. : 2
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Poireinganba Tongbram
Class : II Roll No. : 20
School : Bright Career Academy




Title : Todoriki
By : Rovinson Khuraijam
Class : III Sec : A Roll No. : 7
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title :
By : Saranthem Ayingbi Chanu
Class : IV Sec : Lotus Roll No. 28
School : SL. Areana of Learning



Title : A Lady
By : Soubam Monalisha
Class: V/A Roll No. : 4
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Goku
By : Sahil Waribam
Class : III Sec : C Roll No. : 24
School : Tiny Tots Unique School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।